ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯑꯣꯛꯇꯣꯕꯔ ꯰꯷, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯹꯲ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, ওক্টোবর ০৭, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ১৯২শুবা মশীং

# অদুম্মক চরা নোংখন্নখিগদ্রা

## ভোটরশিংগী অতোপ্পা পান্বে লৈগনি থাজদে

তরামথোইশুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লি অসিগী মপুন্সি লোইশিল্লক্লে। মসিগী মীখলসি কুমজা ২০১৭কী মার্চকী হৌগৎলকপা শরুক্তা পাঙথোকখিবনি। মীখলদুগী রিজল্ট লাউথোকপা পুমলোই লোইরবা মতুং রিটর্ন কেন্দিদেট ওইরকখিবশিং অসি মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ফ্লোরদা প্রোটেম স্পিকরনা ইলেক্টেদ মেম্বরশিং ওইনা মার্চ ১৯, ২০১৭তা ৱাশক লৌখিবনি। নুমিত্তুদগী ১১শুবা এসেমব্লিগী পুন্সিগী মতম পারকখিবনি। নুমিৎসিদগী পারগদি এসেমব্লি অসিগী চহী ৫গী টর্ম অসি মার্চ ১৯, ২০২২দদি মপূং ফানা লোইরগদবনি। মরম অসিনা হায়রিবা নুমিৎসিগী মমাঙদা মথংগী ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লিগী মীখল পাঙথোক্তবা য়াদে। নুমিৎসিগী মমাঙদা অনৌবা মীখলসিগী থবক থৌরম পূন্নমক মপূং ফানা লোইশিনহৌদবা য়াদবনি। মসিগীদমক ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) না লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎলক্লি। ঈ সী আইগী পাউতাক্তগী মণিপুরগী চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর (সী ঈ ও) গী মায়কৈদগী মথৌ তাবা থবকশিং লেপ্তুনা পাঙথোরক্লি। পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সনসিদা ভোট থাদগদৌরিবা ভোটরশিংগী ইলেক্টোরেল রোল রিভিজনগী থবকশিং চত্থরি। মীখল অসিগীদমক ফাইনেল ইলেক্টোরেল রোল ফোঙদোক্কদবা মতম ফাওবা লাউথোক্তুনা নুমিৎসিগী মমাঙদা ইলেক্টোরেল রোলগী থবক থৌরম পূন্নমক লোইশিনগদৌরি। মসিনা মীখলসিগী থৌবু ওইগদৌরিবা কাঙবুগী থবক থৌরমশিংগী ৱানি। নাকল অমরোমদনা মীখলসিদা মীরেপ ওইগনি চোঙথোরক্লিবা মীওইশিং অমসুং মখোয়গী মীওইশিংনসু ভোট ফংনবা হোৎনবগী মখল কয়াগী থৌরমশিং হেন্না কন্না পাঙথোক্লরক্লিবনি। হৌজিক লৈরিবা লৈঙাকসিগী রুল্লিং অমসুং ওপোজিসনদা লৈরিবা পার্টিশিংগী লুচিংবশিং ইনশোন কাংদনা লাক্লদুনা ইলেক্সন কেম্পেন কয়া পাঙথোক্লরি। রুল্লিংগী মায়কৈদা লাকপশিংনা ওপোজিসন পার্টিশিংবু হুন্দুনা অমসুং চৈদুনা ঙাঙলরি। মখোয়গী পার্টিগী ওইবা ইলেক্সনগা মরী লৈনবা থবকশিং পাঙথোক্লরি। মিনিষ্টর ওইবা য়াওরগনা করিগুম্বা অমত্তা ওইরবসু শঙ্গানবা হোৎনরম্লি, উরেপ তম্বগী থৌরম পাঙথোক্লরক্লি।

পূন্নমকসি মীখল ময়া নকশিল্লকপগী ওইবা মচৎনি। ঈ সী আইনা পাঙথোক্কদবা মীখলসিগী নুমিৎ অমসুং পুংফম লাউথোক্তুনা মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট চৎনরে হায়দুনা অথিংবা থমজিন্দ্রিবা ফাওবদি লেপ্তুনা চত্থনরগদৌরিবনি। তৌজসনু, মাগী মাগী পার্টিশিংগী মীরেপ মশীং হেন্না মায় পাকহন্ননবা হোৎনজবনি। অদুবু অনৌবা মীখলগী মতম নকশিল্লক্তুনা ভোটরশিংগী মমাঙদা পুশিল্লক্লিবসিদা থোরক্লিবা ৱাহংদি মণিপুরগী ভোটর মীয়াম্না করম্বা পার্টিদা ভোট পীদুনা লৈবাক লৈঙাক্লোনগী থৌদা খূৎশিন্নগদগে হায়বসিনি। মরমদি লৈবাকসিদা চৎনরিবা পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসিদদি পার্টি-পার্টিদা য়ূম্ফম ওই। মীয়ামগী মীহুৎ ওইগদৌরিবা মীওইশিংনা পার্টি এফিলিয়েসন তৌগদবনি। লৈঙাক্কী ৱায়েল-থৌদা মেজোরিটি পার্টিদা খূৎশিন্নগদবনি। পার্টি অমত্তদা এফিলিয়েসন তৌদবা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপশিংনসু মীখল থেংনবা য়াই। মায় পাকপসু য়াই। মসিনা মহাক্কী কেম্পেনগী মখা পোঞ্জগদবনি। অদুবু ইন্দিপেন্দেন্ট ওইনা লিৎখৎলকপশিংনা লাক্কদৌরিবা লৈঙাক্তুদা শৌগৎতুনা ঙাক্লৌ ওইবদি য়াই, শৌগৎতবসু য়াই। অদুবু লৈঙাক্তুদা মহাক্না মিনিষ্টর ফাওবা ওইরবসু লিংলিবা লৈঙাক্তুগী মউ য়ুম্বীশিংগী মনুংদা মহাক্না সনা য়ূম্বী ওইবদি য়াদে। মসি লৈবাকসিদা চৎনরিবা কন্সটিট্যুসনগী ওইবা কাঙলোননি।

মসি ওইরগদি পাঙথোক্লগদৌরিবা অনৌবা মীখলসিদা মণিপুরগী ভোটর মীয়াম্না করম্বা পার্টিদা লৈবাক লৈঙাকপগী খুর্জি পায়হনগদগে? মস্বাইসি য়ৌরকপদদি ভোটর মীয়ামসি থাদোক্তনা ফাজিন্দুনা থম্বা য়েন-ঙানুগা অদুম্মক পাঙ্খক্লে। থারকপা মচিঞ্জাকশিং চিলহাও থিদনা চাবগী ফীভমদা অদুম্মক লৈ। থাদোক্লগসু মমিংখক্তুং পল্লুবদা তরেৎনি চফম হল্লবা পার্টিশিং অসি নত্তনা মখোয়গী মহুৎ শিনবা য়াবা মতিক চাবা, অচুম্বা-অশেংবসু তৌগদবা, চৎকদবা পার্টি লৈতবনিনা খোৎ-খোৎতুনা থিরবসু অনৌবা ফংলোইদবনি। তঙাইফদনা চরা নোংখন্নখিবা তাবনি। কেগেনা মহুৎ শিনবগী ফীভমসি অদুম্মক মখা চত্থখিবা তাবনি। অনৌবা পার্টি কয়াসু চীংলোন ৯ লানশিল্লক্তুনা পাইশিন্নরক্লি। অনৌবা মীওই কয়াসু মীরেপ ওইগনি চোঙথোক্লরক্লি। অদুবু হৌজিক ফাওবদি মণিপুরগী পোলিটিকেলগী লম্বী লংত্রিক-লংনা উদ্রি। নৌনা খোঙদারক্লিবশিং অসিনা খূৎপায়নরক্লগসু অপৎপগী মহুৎ অপূম্বনা শিনবগী থৌদৌ থোক্লক্কদবা মাল্লি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৭

১) ***“বিদায়! কংলৈপাক বিদায়!”*** হায়বসি মপান মণিপুরী অমনা ইবা লাইরিকনি। অইবসি কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) ***“গীতা-লৌশিংগী পুক্কে”*** হায়বা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেলদু কনানা ইবা করি লাইরিকনো? মণিপুরীদা কনানা ইথোকপনো?

৩) ***“নীংতম্বগী মমল”*** হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) ***“অরোইবা পাউদম”*** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৫) ***“উ-থম্বালগী শৈথারোল:- মরিং খুম্বীলোক মাইবা থরাইলোক্তা শাৎপা লৈ, শরী নামুং শোননা ৱাশক্লবনা লৈ, পামেন উজাও শকপা লৈ, লৈরাং কোলোয় মমিংদি উ-থম্বাল কৌইদো।”*** করি লাইরিক্তগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নন খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ৪৬

## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

লীলা তম্বদা থৱায় য়াওবা মীসু লৈ, য়াওদবা মীসু লৈ। লীলা তমনি হায়রদি শুকথবা কাঙবুসু লৈ, অদুবু ময়ামগী অপাম্বগী মতুংইন্না শোল্লি শোল্লি ইন্নবা হায়দুনি। মোইসিগী ৱাখলসিনা অমনি। মোইনা খনবসি, লীলা হায়সিদি ওজা য়াওনা তম্বগী মথৌ তাদে, হয়েং ঐনা হৈনবা মওংদা ভাবোক য়ানবা তৌবদুনা শুমাং লীলাদি অদুম য়াই হায়বসি ইরায় লায়বা থিওরি অমদা থাজবা আর্টিষ্ট লৈতবা নত্তে। মসি অয়াম্বনা লীলা তম্বদা থৱায় য়াওররোইদবনি। ওজানা ফনা য়াম্না তাক্লসু লৌবদি মাল্লগা লীলা তৌরকপদনা মানা থোকপা অমা তৌগদৌরিবনি। অদুদি নহানখে মাই মীৎ খঙদখে তম্লিবদুদি করি কান্নরি। অদুনা মকা ফোংবদি য়াদবদা ওমদুনা শাওনীংবা কোঙ্গাই অমা লৈতবা নত্তে। শুমাং লীলা য়াওবা, মমিংগদি কাবক কাবক লৈজরবা, ভাবোক্লসু কাবক কাবক য়ারবা কাঙবু, খরা লিরপ তৌরবশিংসে, মসিনা খিৎ মহেল্লি লীলা তম্বদা নাচংদবা। লীলা তম্বা হায়বসিদি অমা হেক য়াওদবদা ইহো হোরিবনি। অদুনা অমা য়াওদবদা মহাক য়াওগদবা সিন অদু তম্বদা কায়গদৌরিবনি। অদুনা লীলা তম্বা মতমদা য়াম্না শাওনৈ। উনসি হায়বা মতমদা মতম চানা লাক্তবদা ৱা ওইনা ঙাঙনবদগী মরৈ তৌনবা কোঙ্গাই অমা য়াওই। মখোয়গী কাঙবুদুনা হায়বসি তাবদা তুজুংবা ফাওই, *লীলাবু কৈদৌ তমদুইনো, মতম মাঙনবা, ঐখোয় লোইনা হৈনরবা ঙাক্তনি, দাইলোগ চিনফা ফারগা লীলা ময়ায়দা অদুম থোকচরক্কদবদুবু* সিনি। মীশক মমিংদি পন্নীংদ্রে, সিগুম্বা আর্টিষ্ট য়াওদবা নত্তে। ময়াম কিবদগী নৎত্রগা ওজা কিবদগী লীলা তিন্নবদু য়াওরে হায়রবসু কয়া খোইজংনা তৌবদি নত্তে। মদু ওজানসু উই, ময়াম্নসু পেন্নদে। অদুনা লীলা মপূং ফানা তমদে। লীলাদি ফজনা তমজগদবনি। চেকশিন্না খোঙথাঙ, মীৎয়েং নায়েং, ৱাঙাঙ শঙাঙ তম্বদুনা লীলাগী প্রদক্সন অদু মায় পাক্লিবনি। মমাঙঙৈ পংতৌ তৌরম্বদু হৌজিক্তি য়ারোই। লীলা শানবা হৈতবগী ৱানি, লীলা শান্নরিবদগী অয়েংবশিংনা হেন্না হৈ হায়বসি খঙগদবনি। কাবক শাবক তৌবদুনদি লীলাদু মীকোক থোংবা ঙমদে।

আর্টিষ্টনা থৱায় য়াওরবদি ওজাসু হেন্না থৱায় য়াওনা তাকপীরিনি। কনাগুম্বা আর্টিষ্ট খরা অমসু থেংনৈ, মদুদি ওজানা তৌরিবদু য়েংলগা মপূক্লিংদা “য়ানি সিদি ঐ তৌবা হৈনি” হায়না খনবসু লৈ। লুরিবদি তৌরিবদুগী মরম, মদু পূক্লিংদা ৱাখলদা লাক্লবগী অমদি ঐগী হকচাংগী শিংলি নাওরিদা মদুগী ঈচেল অদু চেলহন্নবগী কাঙলোন (থিওরি) অদুনি লুরিবদি। মদুনা হকচাংগী কয়াৎশিংদা থেংলরবা মতুংদা এক্টিংগী শরুক অদু য়াকাইরক্কদৌরিবনি। মদুবু য়েংলগা হেক্তা হৈগদবদি নত্তে। ঐখোয় মীওইবদা য়াম্না লান্না হেক হেক খন্নরিবসি মসিনি। মীৎনা উরগা হেক্তা তৌবা ঙমগনি হায়বা অসি য়াম্না লাল্লি। মদু কৈদৌনুংদা তৌবা ঙম্লোই। মান্ননবা খরা তৌশিন্নখিবদি য়াই অদুগা মদুগী সিষ্টম অদু খঙনা মথ্বায় পালহন্না তৌবা ঙম্বদি কৈদৌনুংদা ওইথোক্তে। অদুনদি মমুৎ তানা খঙনবা হোৎনবা হায়বসিনা হেন্না মরু ওই। কনাগুম্বা ওজা খরা লৈ মশা শুংহৌ হৌগৎতনা তাকপা অমা, মদুনা মানা পাল্লিবদু চিন্না হায়বনি। চিন্না হায়বা অদুদা পাল্লিবা পোৎ অদু তারক্লবগী কাঙলোনশিং লোইনা য়াওই। অদুগা এক্টর মশা অদুদা প্রেক্টিস তৌহনবনি। মসি মতম খরা চংই। অদুগা ওজা খরা অমনা মহাক মশানা পাল্লিবদু থিওরি য়াওনা তাক্লগা দেমোন্সত্রেসনসু তৌবনি। দেমোন্সত্রেসন য়াওবা অসিনা এক্টরশিংদদি, ওজাগী মতৌ অদু তম্বগী খুদোংচাবা ফংই। মসিগী অফবসু ফত্তবসু লোইনা লৈ। মতৌ তম্নবা হোৎনবদা কাঙলোন য়াওদনা অদুম তৌখিবা অমা, তৌরিবদু মশাদগী থোরকপা নৎত্রবা, মীতৌ তম্বা ওইবনিনা ইপক পকচৌ য়াদবা অসি য়াম্না ওইগল্লি। অদু ওইরবদি, মসি পকচদে, ফজদে হায়না ওজাগী মাঙদা কাবক কাবক তৌশিন্নরল্লবসু মহাক্না ময়ায়দা থোক্লগদি কৈদৌনুংদা তৌনরোই। অদু ওইরবদি তম্লুবগী করি কান্নরি। মসি পূন্নমকশিং অসি কাঙলোন অদু য়াওনা খঙদবদগীনি হায়বসিদা করি লান্নীংঙাই লৈ। শুমাং লীলাগী এক্টর খুদিংমক্কি ৱা নৎচদে, কনাগুম্বা খরগী ৱানি। অসিগুম্বা অসিনা মপূং ওইনা লীলা অমা পুথোকপদা ওজানা তম্বীবা খরা অমনা তৌবা, খরা অমনা তৌদবা, অদুনা লীলাদু অখঙ অহৈনা য়েংবদদি মরিং মরাংবা ওইনা থোকই।

মপূং ওইনা শুমাং লীলা অমা তম্বীবদা খ্বাইদগী মরু ওইনা চঙলিবসি লীলাগী কাঙবু অদুগা, মখোয়না পুথোক্কদৌরিবা ৱারী (স্ক্রিপ্ট) অদুগা কয়া য়াম্না চুশিন্নরবগে হায়বা অসিনি। লীরিবা ৱারী পরিং অদু চুল্লব্রা, চুমদ্রগনা কমদৌনা শেমদোক্কনি। নৎত্রগনা য়াওরিবা এক্টরশিং অদুনা ৱারী অদু লীলা ওইনা শান্নরকপদা কয়া য়াম্না তৌবা ঙমগদগে, পকচগদগে হায়বা অসি খন্নবসি য়াম্না মরু ওই। প্লেরাইটনা খনবা অদুমক এক্টর অদুদা মমুৎ তানা খঙহনবগা লোয়ননা তৌগদবা পরিং অদু তাকপা, মসি এক্টর হৈশিংবা খরদি মখোয় মখোয়গী অপাম্বনা হেন্না মাঙ থাবসু য়াওদবা নত্তে। অদুনা এক্টর খুদিংমক উৎমিন্নগদবা লীলা অমদা মানা মানা নীংবা, পাম্বদু অমত্তা মান্নদবনিনা, মানা মানা থোকপা তৌনরবদি লীলাদুগী ফজবা অদু কৈদৌনুংদা লৈরোই। এক্টর অদুগী হৈশিংবা অমদি ইন্দিভিজুএলদা ওইনা চৎখিগনি। অদুনা অপূনবা লীলাগী মশক্তদি ফজবা পুরকপা ঙম্লোই। মসিগী মওং মতৌ অসি য়াম্না তোয়না শুমাং লীলাদা থোকই। অদুনা শুমাং লীলা অমা পুথোকপদা লীলা অদুগী অপূনবা মশক শেম্বা ঙম্বা দাইরেক্টর অমদি মথৌ তাই। মহাক্না স্ক্রিপ্ট অদুদা য়াওরিবা এক্টরশিং অদুগা চাশিন চুশিন্ননা প্লেরাইট অদুগা শেম্মীন্নবা, তাথোক তাশিন তৌমিন্নবা, এক্টরশিং অদুগী মতিংসু ফুদোক্লবা হোৎনবা, লীলাগী তাঙ্কক খুদিংদা য়েংগদৌরিবশিংগী পূক্লিং ইহুলসু য়াওহনবা ঙম্বা অসি মথৌ য়াম্না তাই। অদুনা দাইরেক্টর অমা য়াওদুনা লীলা পুথোকপদা খুদোং চাবা য়াম্না হেলহল্লি।

শুমাং লীলাগী য়াম্না নুংঙাইবা অমা হায়রবদি লীলা তম্বসি মতম চঙদে। ফজগেরা ফজরোইরা প্লেরাইটনা ইরিবা দাইলোগ অদু মানা মানা থোকপা শিন্দোক্লগা নৎত্রগা জেরোক্স লৌরগা পানরনি। মানা মানা থোকপা পারকপা অদু মচিন্দা খরা খরা হায়বা ঙল্লকপদা নোংমখক ফম্মিন্নরগা, অদুসু হৌগৎপা নত্তবদা, ৱ্রং ৱ্রং হায়নরনি। অদুগা লীলা হেক্তা ফোঙদোকপগী চৎনবী অমা লৈ। মসি তান চারুরগা মীনা য়েংবা য়াবসু অদুম ওই। তাঞ্জা চাদ্রগনা লোংনা তাই। শুমাং লীলাদা শাথীরিসি, লীদৌরিবা ৱারীদুসু মরু ওইকো, অদুবু এক্টরশিং অদুগী হৈশিংবা কয়া অদুনি হেন্না মরু ওইরিবসি। লীলা ইরকপদা য়াওদবা এক্টর মশানা ইমপ্রোভাইস তৌবা ময়াম অমা হাপচিল্লক্কনি। চিনদা লাকপা কয়া অমসু মরন্নাই ওইনা হাপচিল্লক্কনি। মদুনা হেন্নদুম পকচবা কয়া অমা য়াওরিবনি। অদুনা প্লেরাইটনা ইরক্লিবা ৱাহৈ ৱাতাদু মপূং ফানা ফাদ্রবনিনা ময়ায় থোরকপদদি ৱা ঙাঙদবা য়াদবা ওইবনা, মানা মানা থোকপা পংহায়দা হায়জিন্নরক্কনি। মদুনা অদুম চৎনখিবসু য়াওদবা নত্তে। অদুবু মসিনা লীলা অদুগী কাঙলোন চুম্না ফজবা হায়বা অদুদি নত্তে। ময়াম্না এক্টর অদুবু য়েংবা, মাগী হৈ শিংবা কয়া অদুবু খোইদাবা ওইরবদি লীলাগী ৱাহৈ ৱাতা, লীলাগী পরিং চুম্বা চুমদবা অদুম য়াখ্রনি। মসি ঙল্লিঙৈ মতমদা য়াম্না চৎনরম্মী। হৌজিক্কানদি মদু থোইনা লৈখিদ্রে। খরা কাঙলোন চুম্না লীলা তম্বগী ফীভম অমদি লাক্লে। মমাঙঙৈগী অহল লমনশিংনা তৌরম্বদসু মসি অদুম থেংনৈ। ফজনা লীলা তিন্নে। লীলা তম্বা হায়নরমদে, লীলা তিন্নবা হায়রম্মী। মসিগী মরমসু অতৈ নত্তে, শুমাং লীলাদা য়াওরিবা এক্টরশিং অদু লোইনমক্কী ৱা নৎত্রসু অয়াম্বদি হায়দোকপদা ফজদবগী ৱানি, ইগো য়াম্না ৱাংনৈ। অদুনা লীলা তম্বা হায়রবদি কনানা কনাদা তমদৌরিনো হায়বা অপিকপা ৱাখল্লোন অমা চোঙথোরকই। অদুনা মানা ঐঙোন্দা তম্বা য়াবা নত্তে, ঐসু অফাওবনি হায়বা অসি খন্নে। অদুনা তম্বা হায়বগী মহুত্তা লীলা তিন্নবা হায়বা ৱাহৈ অসি হায়নৈ। অদুনা লীলা তিন্নবদা সুমাইনা তৌবা, সুমাইনা তৌসি হায়বসি হায়নরগা ইকোয় কোয়না ফম্মগা লীলাদু তিন্নবনি। অদুগা ফোঙলসি হায়বা মতমদুদদি অমুক্তংদি হৌগৎসি হায়না হৌগৎলগা লোইরে। হৌবু হৌগৎলবা লীলা তম্বা লোইরে হায়না খন্নে। মসি মমাঙঙৈদগী হৌনা অদুম চৎনদুনা লাকখি। ঐমক্না খঙহৌদবা, য়াম্না ঙল্লিঙৈ, অঙাং ওইরিঙৈদা ঐখোয়গী লৈকায়দুদা মমিং লৈরবা লীলাগী ওজা অমা লৈরম্মী, হৌজিক্তি লৈখিদ্রে। কাঙুজম অচৌবী, ময়াম্না মহাকপু কামিনিসনা শাবী হায়না খঙনৈ। মাগী য়ূমদা লীলা হেক হেক তিন্নে। মাগীদা অনৌবা এক্টর খরা খরা হেক হেক য়াওই। মখোয়দদি ওজানা হৌগৎ হৌগৎতুনা তাকপীখিবা কয়া অদু ইমিত্তা উহৌই। খরা সিনিয়র ওইবশিংদি হৌগৎতে। মোইদি ফম্মগা অদুম লোইশিল্লি। নহাশিংদুদদি অমনা অমুক হৌগৎ তাক, অমনা অমুক হৌগৎ তাক তৌই। ইশম শম্না হায়রবদা লীলা তিন্নববু হায়গেরা, তম্ববু হায়গেরা খরা মমুৎ তানা তানা তিন্নবা অসিনা লীলা ওইনা শান্নরকপদদি ফজবা য়াম্না হেল্লি। এক্টরশিং অমগা অমগগী মরক্তা কো-ওর্দিনেসন লৈননা লীলা তৌমিন্নবগী মমি তাই। অদুনা লীলাসিদি শোয়দনা তমগদবনি। তমদনা লীলা শান্নরোইদবনি হায়বা অসি হায়নীংই। ●

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম - ১৮২

**উসম ধনঞ্জয়**

**জন্যুৱারী ১৯, ২০১০ ইং :-** জুলাই ২৩গী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী শাশিন্নবা নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোক্না মরী লৈননা সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) গী কাঙবু অমনা ঙসি নুংথিল বি টি রোদকী মাইমু ফার্মাসিদা হকথেংননা চৎতুনা ৱাথোক ওইরিবা থৌদোক অসি থিজিনবা হৌখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিস কম্মান্দোশিংনা সঞ্জিৎপু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবা মফম মাইমু ফার্মাসিদা ঙসি নুংথিল পুং ২.৪৫ রোম তাবদগী হৌরগা সী বি আই কাঙবু অদুনা থিজিনবগী থবক চত্থখিবনি। সী বি আই কাঙবু অদু ষ্টেট সিক্যুরিটি ফোর্স (এম আর/আই আর বি) না ঙাক শেনখি।

পনবা য়াবদি, গুৱাহাটি হায় কোর্টকী দিরেক্টিব অমগী মতুংইন্না সী বি আইনা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা কেস অনী লৌখৎখ্রবনি।

ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সী অসিগী আই জি পি কম জোইন্ট দাইরেক্টরনা লুচিংবা এস আই টি অমা শেমখিবগা লোয়ননা হৌজিক হৌজিক ইম্ফালদা কেম্প তৌদুনা লৈরিবনি।

**জন্যুৱারী ১৯, ২০১০ ইং :-** থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ৱাইথৌ গোলাই অচৌবদা ঙরাং নুমিদাং কম্বাইন্দ সিক্যুরিটি ফোর্সকা নোংমৈ কাপ্পবনি হায়বা থৌদোক্তা পল্ফকী কাদর অমা শিখিবগা লোয়ননা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী নাওরেমথোংদা বোম অনী পোকখায়বদা মীওই অনী শোকখ্রে। নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোক অদুগী মতাংদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী সিনিয়র এস পি ক্লে খোংসাইগী মহুৎ শিন্দুনা এদিসনেল এস পি জোগেসচন্দ্র হাওবিজমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ৱাইথৌ, শঙ্গোমশঙ অমসুং লিলোং চীংখমগী অকোয়বা মফমশিংদা খূৎলায় পায়বা পল্ফকী কাদরশিং তোয়না চৎথোক চৎশিন তৌরে হায়বগী অকল্লবা পাউ অমা ফংবদগী ঙরাং দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দো অমসুং ২৮শুবা অসাম রাইফলসকী অপূনবা খূৎপু অমা চঙশিল্লগা চ্যেক পোষ্টশিং হাংদোক্তুনা লৈখি।

নুমিদাং পুং ৯.২৫ রোম তাবদা ৱাইথৌ গোলাই অচৌবদা কম্বাইন্দ ফোর্সনা লালহৌবনি চিংনবশিং চৎপা উখি। লেপ্পবা খঙহল্লুবদা নোংমৈ ওইনা কাপশিল্লকপদগী নাকল অনীনা মিনট তরেৎলোম খূৎ থোক্লখি হায়রি। থৌদোক অদুদা লালহৌবা অমা হাৎখি অদুগা অতৈদি নাম্থোক্লগা চেনখ্রে। লৈখিদ্রবা অদুগী মনাক্তগী নাইন এম এমগী পিষ্টোল ১, মেগজিন ১, মরূ ৩, দিটোনেটর য়াওবা পোইন্ট ৩৬কী হায় এক্সপ্লোসিভ হেন্দ গ্রেনেদ ১, মোবাইল ফোন হেন্দসেট ১, পল্ফকী ফাইনান্স সেক্রেটরি রিসিকান্তনা সাইন তৌবা দিমান্দ লেট্টর ১, লুপা ১৩৫ য়াওবা ৱালেট ১ ফংখি হায়না এদিসনেল এস পিগী চেরোল অসিনা মখা তারক্লি।

চৈরক অসিদা লৈখিদ্রবা মীওই অদু ইরোং ময়ায় লৈকায়দগী মহম্মদ রিসি এলিয়জ বোই (২৩) অপোকপা এম দি পিশক কৌবা পল্ফকী মরু ওইবা মীশক অমনি হায়বা মশক খঙখ্রে। রিসি চহী তরুক/তরেৎ লোমগী মমাঙদা ময়ূম থাদোক্তুনা চৎখ্রে। মমাঙদা অহুম/মরিরক ফাবগী থৌদোকসু লৈখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, ঙসি নুমিদাং পুং ১০ রোম তাবদা মণিপুর পুলিসকী দাইরেক্টর জেনরেল ৱাই জ য়কুমারগী ময়ূম মনাক্তা লৈবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী লম্ফেল পুলিসনা কোনবা নাওরেমথোংগী থোং মথক্তা লৈবা ফুট পাথতা হেন্দ গ্রেনেদ অনী পোকখায়বদগী মীওই অনী শোকখ্রে।

অহিং নুংথিল নাইদনা মণিপুর পুলিস কম্মান্দোগী টিমশিংনা লৈবা মফমদা অঙকপা মওংদা বোম অনী পোকখায়খিবা অদুগী মতাংদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এদিসনেল এস পি (এল ও) না লাক্তুনা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা বোমশিংদু করম্না পোকখায়খিবনো হায়বগী মতাংদা প্রেসতা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্লরকখিদে। ঙসিগী থৌদোক থোকখিবা মফমদা অহিং নুংথিল নাইদনা সিক্যুরিটি ফোর্সনা ঙাক শেন্দুনা লৈরবসু থৌদোক থোকখিবা মতমদা মফমদুদা সিক্যুরিটি কাঙবু অমত্তা লৈখিদে।

থোংগী অৱাং থংবা শরুক্কী মনীং থংবা ফুট পাথতা বোম অনী পোকখায়খি হায়না অশোকপশিংনা ফোঙদোক্লবসু পুলিসনা থোং ময়ায়দগী লিভর অমা অমদি মখারোমদগী থোংগী মচিন য়ৌদ্রিঙৈদা পিন অমা ফংখি। থৌদোক অদুদা শোকখিবশিংদি উরিপোক অচোম লৈকায়দগী লাইথাংবম অঙৌতোন এলিয়জ প্রিয়োকুমার (৩০) অমসুং সাইখোম তেজবির (২৬) নি। মখোয় অনীমক তাকয়েল কোলোম লৈকায়দা মি থিল্লুরগা হল্লকপদা থোংগী অৱাং থংবা শরুক্তা গাড়ী খাল্লগা মপান থোক্লিঙৈদা বোম অমা পোকখায়রকপদগী চৎনবা তৌরিঙৈদা অমসু অমুক পোকখায়রকপদগী মখোয় অনী বোম মচেৎনা পান্দুনা শোকখি। কোংপাল চনম লৈকায়দা লৈবা থাংজম গোজেন্দ্রোগী মিংদা লৈবা গাড়ীসু বোম মচেৎ খরা পানখি। মখোয় অনীমক খুদক্তা রিমসতা পুখৎলকখি। মখোয় অনীগী মনুংদা মশাগী মফম কয়াদা শোল্লবা অঙৌতোন রিমসতগী শিজদা রিফর তৌখ্রে। শিজদা লায়কন্নদুনা লৈরিবা অঙৌতোন অরুবা ফীভমদা লৈরি। মহাক লাক্লিবা জন্যুৱারী ২৫দা লুহোংনবা থৌরাং তৌরিবনি।

**জন্যুৱারী ১৯, ২০১০ ইং :-** তরুকশুবা পে কম্মিসন এরিয়ার য়াওনা চৎনহল্লু হায়বা দিমান্দ তৌদুনা ওল মণিপুর ত্রেদ য়ুনিয়ন কাউন্সিল অমসুং ওল মণিপুর গভর্ণমেন্ট এমপ্লোয়ী ওর্গনাইজেসনগী জে এ সীনা চঙশিল্লকপা থবক লেপ্পগী খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা জে এ সীগী মীহুৎশিং অমসুং এমপ্লোয়ীশিংনা ওফিস অমদগী অমদা চঙদুনা থবক লেপ্পা লেপ্তুব্রা হায়না চ্যেক তৌখ্রে।

জে এ সীগী মীহুৎশিং য়াওনা এমপ্লোয়ীশিং ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী লম্ফেলদা লৈবা দি সী ওফিস, ফিসরি ওফিস, রেজিষ্ট্রার ওফিস, সেট্টলমেন্ট ওফিস, এমপ্লোয়মেন্ট একচেঞ্জ, এদ্যুকেসন (এস), কৈশাম্পাৎকী ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্ট, এদ্যুকেসন (য়ু) অমসুং ত্রেজরি ওফিসশিং চঙদুনা এমপ্লোয়ীশিংনা থবক লেপ্পগী খোঙজং শৌগৎপ্রা শৌগৎতব্রা হায়না য়েংশিনখি। লোয়ননা ওফিস ওফিসকী এমপ্লোয়ীশিংনা থোক্তুনা জে এ সীগী থবকশিংদা মতেং পাংশিনখি।

জে এ সীগী সেক্রেটরি এদমিনিষ্ট্রেসন ইনাওমচানা পাউমীশিংদা হায়খি, ইন্দিয়াগী ষ্টেট খুদিংমক্তা সিক্স পে কম্মিসন মপূং ফানা চৎনখ্রবসু মণিপুরদদি সিক্স পে কম্মিসন চৎনবদা এরিয়ার য়াওরোই হায়বসি য়াম্না লাইবক থীবনি। সিক্স পে কম্মিসন চৎনহনবা হায়বসি ষ্টেটকী ইস্যু নত্তে নেসনলগী ইস্যুনি। অতোপ্পা ষ্টেটশিংগী মমাঙদা ইকায়নীংঙাইনি।

চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা ১৩শুবা ফাইনান্স কম্মিসননা য়ারবা মতুংদা এরিয়ার পীগনি লোয়ননা এপ্রিল থাদগী সিক্স পেগী শেনফম এমপ্লোয়ীশিংদা পীগনি হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু য়ানীংদে হায়বা ৱাফম থল্লদুনা ইনাওমচানা হায়খি, গভর্ণমেন্টনা সিক্স পে এরিয়রগা লোয়ননা চৎনবা য়ারোই হায়বগী মতাংদা হ্বাইট পেপর পুথোক্কদবনি। নন-প্লান অমসুং প্লানগী শেনফম কয়ানো অমসুং সেলরিগী শেনফমনা কয়ানো হায়বদু গভর্ণমেন্টনা এমপ্লোয়ীশিংদা খঙহনফম থোকই হায়নসু মখা তাখি। জে এ সীনা থা অসিগী ১৬তগী চঙশিল্লকপা থবক লেপ্পগী খোঙজং অসি মখা তানা গভর্ণমেন্টকা য়ানবা পুরক্ত্রিবা ফাওবা চঙশিনগনি লোয়ননা মখা তানা ইসেন্সিয়েল সর্ভিস য়াওনা তোঙান তোঙানবা মখলগী খোঙজংশিং চঙশিল্লগনি হায়নসু ইনাওমচানা ফোঙদোকখি।

মণিপুর ষ্টেট এৱার্দ ফোর লিটরেচর ২০০৯ ৱাংখৈ থাংজম লৈকায়দগী থাংজম ইবোপিশক্তা মহাক্কী শৈরেং লাইরিক “শ্রীমতি তোমচা বাবু” দা পীনবা গভর্ণমেন্টনা লাউথোকখ্রে।

এদ্যুকেসন মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুংথিলদা পাউমীশিংগা উনবদা এৱার্দ ফংগদবা মীওইগী মমিং অসি লাউথোকখিবনি। এৱার্দ অসিদা শেল ওইনা লুপা লাখ ১, সাইটেসন ১ অমসুং মেমেন্টো ১ য়াওরি। এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা কুমজা ২০০৮দগী হৌনা এৱার্দ অসি পীবা হৌরকখি। লিটরেচর এৱার্দ অসি ইহান হানবা ওইনা বি এম মৈস্নাম্বদা মহাক্কী নোবেল ‘নিংথেমনুবী’ দা পীখি।

**জন্যুৱারী ১৯, ২০১০ ইং :-** পাউচেশিংনা মণিপুরদা লৈরিবা নেসনল হায়ৱে, হায়ৱেনচিংবদা লৈরিবা মিদিয়ন (রোদ দিভাইদর) শিংদা গাড়ী থৌরিবশিংনা মরু ওইনা নুমিদাংগী মতমদা মিদিয়ন লৈরে খঙননবা রেটো রিফ্লেক্টিব সাইন থম্বীদবদগী এক্সিদেন্ট থোক্তুনা মীশি মীনা কয়া থোক্লে হায়না হঞ্জিন হঞ্জিন মণিপুর গভর্ণমেন্টতা থিন্দুনা তাক্লবসু গভর্ণমেন্টনা খঙশিন্নদনা লৈথোকখিবদগী ঙসিসু নেসনল হায়ৱে ১৫০ টিদ্দিম লম্বীগী কৈশাম্পাৎ মোইরাংনিংথৌ লৈরক মপাদা লৈবা রোদ দিভাইদর অমদা ঙসি পুং ৬ লোম তাবদা থেংজিন্দুনা এক্সিদেন্ট থোকপদগী ওটোরিক্সো অমা ফীভম থীনা অকায় অতোয় থোকখ্রে। অদুবু ওটো অদুদা তোংলকপা মীওইশিংদি কা হেন্না অশোক অপনদি য়াওহৌদ্রে। ●